# ম্যান্মার সেক্যুরিটি ফোর্সনা খুঙ্গং অমা মৈনা তুম্না থাখিবগী থৌদোক্তা অহল অনী শিরে, উমংদা লোত্তুনা লৈনখ্রে



নেপিদো, জুন ১৭ (এজেন্সী) :
হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১ দগী হৌরগা ম্যান্মারদা মিলিটরি জুন্তা লাকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুগী মীয়াম অমদি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা যাম্না তোয়না উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোক্তুনা লাক্লি। হৌখিবা যুমশকৈশা নুমিত্তসু সেক্যুরিটি ফোর্স অমদি য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লিবা মীয়ামগী মরক্তা চাওনা উংখৎনখ্রবা মতুং সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খুঙ্গং অমা মৈনা তুম্না থাখ্রে হায়রি।

অল জা জিরা ন্যুজ রিপোর্টকী মতুংইন্না খুঙ্গং মৈনা চাকখিবগী থৌদোক অদুদা অহল ওইরবা মীওই অনী শিখ্রে অদুগা কয়া অমনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মীওৎ মীনৈ খাঙবা ঙমদবদগী মনাক নকপা উমংদা চেনশিন্দুনা মশা হিংজনবা লোত্তুনা লৈরি। লোত্তুনা লৈরিবা মীওইশিংগী মরক্তসু অশোকপা কয়া য়াওরি।

অমরোমদা ম্যান্মার ষ্টেট মিদিয়া রিপোর্টকী মতুংইন্না মাগৱে রিজনগী মনুং চন্না লৈবা কিন মা খুঙ্গংদা থোকখিবা মৈ চাকপগী থৌদোক অদু খূৎলায় পায়দুনা লাল হৌরিবা মীওইশিংনা চথখিবা থৌওংনি। সেক্যুরিটি ফোর্সপু মীয়াম মমাংদা লান্না উহন্নবা হোৎনরকপা থৌওংশিংগী মনুং চন্না লালহৌবশিংনা খুঙ্গং অদু মৈ থাখিবনি হায়রি।

মৈ চাকপগী থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ম্যান্মার সেক্যুরিটি ফোর্সকী অৱাংবা থাক্কী ওফিসার অমগা পাউ ফাওননবা হোৎনবদা মায় পাকখিদ্রে। সেক্যুরিটি ফোর্সকী মায়কৈদগী থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

থৌদোক অদুবু হকথেংননা উহৌবা খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না হৌখিবা যুমশকৈশা নুমিত্তা মিলিটরি জুন্তাগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা কিন মা খুঙ্গংদা লৈরিবা খুঞ্জাশিংনা সেক্যুরিটি ফোর্সকী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখি। খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না ফাজিনখিবা লুচিংবশিং থাদোক্কদবনি, মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অমা অথুবা মতমদা লৈহনগদবনি, সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মরাল লৈতবা মীওইশিং হাৎপগী থবক লেপকদবনি হায়বা খোল্লাউ কয়া লাওখি।

মীয়াম্না য়ৈখায় থিনগায়বা য়াওদবা চঙশিল্লিবা খোঙজং অদুবু মশিং য়াম্লবা সেক্যুরিটি পর্সোনেলশিংনা থুগায়নবা হোৎনরকখিবগা লোয়ননা মীয়াম তম্না তিয়ার গ্যাস সেলশিং অমদি রব্বর বুলেটশিং কাপশিনবা হৌরকখি।

খোঙজং চঙশিল্লিবা মীওইশিং অদুনা সেক্যুরিটি তম্না নুঙ অমদি উকক্নচিংবা কয়া লংশিনখি। মুক্কিরিঙৈ মরক্তা খঙহৌদনা সেক্যুরিটি পর্সোনেল খরনা খুঙ্গং অদুদা লৈরিবা য়ুমশিং মৈ থাবা হৌরকখিবগা লোয়ননা নোংমৈ কাপ্পা হৌরকখি।

মীয়াম তম্না নোংমৈ কাপশিল্লকখিবা অদুনা মরম ওইরগা খুঞ্জাশিং মফম অদু থাদোক্তুনা মনাক নক্লা লৈবা উমং অমদা চেনশিন্দুনা লোত্তুনা লৈনখি। মদুগী মতুং ঙসি অমুক হন্না থোক্তুনা য়েংলুবদা মীওই অনীগী মৈনা চাকপা হকচাংশিং থেংনখিবগা লোয়ননা য়ুমশিং মৈনা তুম্না চাক্তুনা লৈরম্বনি। হৌজিক খুঙ্গং অদুদা য়ুম ৩০ রোমদি লৈরি অদুগা ২০০ হেন্না তাঙ্গোয় ওনখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ম্যান্মারদা লৈবা য়ুনাইটেদ কিংদমসকী এম্বেসিনা ফোঙদোকখিবদা, ম্যান্মার সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খুঞ্জাশিংদা কা হেনবা থৌওংশিং চথখিবা অদু লাইবক থিবনি। খোঙজং চঙশিল্লিবা মীওইশিংবু হাৎপগী মহুত্তা মখোয়বু অতোপ্পা পাম্বৈ অমা শীজিন্নদুনা কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনগদবনি। সেক্যুরিটিনা খুঙ্গং অমা মৈ থাখিবগী থৌদোক তরায়না লৌদে হায়রি।

# য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মীওই কয়ানা টুনিসিয়াদা খোঙজং চঙশিনখ্রে

টুনিস, জুন ১৭ (এজেন্সী) :
টুনিসিয়াদা মমাং চয়োলদা পুলিস কষ্টদিদা মীওই অমা লৈখিদবা অদুবু লৈবাক অদুগী মীয়াম্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুগী মায়োক্তা লেপ্পা লৈতনা খোঙজংশিং চঙশিন্দুনা লাক্লি। ঙসিসু মীয়াম্না পুলিসকী কা হেনবা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈবাক অদুগী কোনুং টুনিস য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খোঙজংশিং চঙশিনখ্রে।



টুনিসকী মনুং হঞ্জিনবা মফম সিদি হসিনেদা ঙসি মশিং য়াম্লবা মীওইশিং থোরক্তুনা খোঙজং চঙশিনখি। মীয়াম্না চঙশিল্লিবা খোঙজং অদু ওঠোরিটিগী অয়াবা য়াওদে হায়না পুলিসনা থিংদুনা থমখি। তুংদা য়ান্নরক্তবদগী পুলিস অমদি খোঙজংলোয়শিংগী মরক্তা মুক্নবা হৌরকখি। পুলিসনা খোঙজং চঙশিল্লিবা মীয়াম অদুবু কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনবদা রব্বর বুলেট অমদি তিয়ার গ্যাস সেল কয়া কাপখি। থৌদোক অদুদা খোঙজংলোয় ৮ অশোক অপন নংখি।

টুনিসয়িদা থা খরগী মমাংদগী লৈবাক অদুগী মীয়াম্না পুলিসতা লৈঙাক্লা অহেনবা পৱারশিং পীখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অমদি পুলিসনা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া চথরিবা অদুগী ময়োক্তা খোঙজংশিং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি। লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর মেচিচিদা মীয়াম্না পুলিসতা পীরিবা অহেনবা পৱারশিং অদু লৌথোক্লবা কয়ারক হন্না হায়জখ্রবসু হৌজিকফাওবগী ওইনদি থবক্তা ওন্থোরকপা লৈত্রি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তসু টুনিসতা মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা খোঙজঙ চঙশিনখিবগা লোয়ননা পুলিস কষ্টদিদা চহী নৌরিবা নহা অমা শিহনবদা চেন্নরিবা পুলিস পর্সনেলশিংগী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকদবনি অমদি পুলিসনা লৈবাক অদুদা চথরিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিং খুদক্তগী তোক্কদবনি হায়না খোল্লাউ কয়া লাউখি।

টুনিসিয়াদা লৈবা য়ুনাইটেদ নেসন্স হ্যুমেন রাইটসকী ওফিসনা থাদোরকখিবা ৱারোল অমগী মতুংইন্না টুনিসিয়াগী মীয়াম্না লৈবাক অদুগী পুলিসকী মায়োক্তা য়াম্না তোয়না খোঙজঙ চঙশিল্লক্লিবা অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা য়েংশিনবা মথৌ তাই। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মরক্তা পুলিস পার্সনেলশিংনা অহেনবা থবক থৌওং কয়া চথরি হায়না মীয়াম্না ফোঙদোক্লিবা অসিগী মতাংদা অখন্নবা টিম অমা শেমদুনা থিজিহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কষ্টদিদা নহা অমা শিখিবগী মতাংদসু থিজিনগদবনি হায়রি।

# এপল দেলি পাউচেগী ওফিসতা হোং কোং পুলিসনা রেইদ চথখ্রে

হোং কোং, জুন ১৭ (এজেন্সী) :
হোং কোংদা নুংতিগী ফোঙবা পাউচে এপল দেলিগী ওফিসতা অনীরকশুবা ওইনা ঙসি হোং কোং পুলিসনা রেইদ চথখিবগা লোয়ননা পাউচে অসিগী চীফ ইদিটর য়াওনা মীওই ৫ ফাগৎখ্রে হায়রি।

এপল দেলি পাউচেগী মপু জিমি লাইসু হোং কোং ওথোরিটিনা ফাদূনা জেলদা হান্না থমখ্রবনি। জিমি লাই অমদি মহাক্কী পাউচেনা বৈজিং অমদি হোং কোং ওথোরিটিগী মতাংদা পাউ কয়া ফোঙদুনা লাক্লি। প্রো দেমোক্রেসি ওইবা পাউশিং অসিনা মরম ওইরগা বৈজিংদা জিমি লাই তিঙ্খং অমা ওইদুনা লাকখিবনি। ঙসি এপল দেলিগী ওফিসতা পুলিস পার্সনেল ৫০০ রোমনা চঙশিন্দুনা থি-হূন্বগী থবক চথখিবনি। পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না পাউচে অসিনা হোং কোং অমসুং চিনাগী লুচিংবশিংগী মথক্তা ইন্টর্নেসনল কম্যুনিটিশিংনা অথিংবশিং থমজিন্নবা ফোঙলকখিবা পাউশিং অদুগা মরী লৈননা পাউচে অদুগী চীফ ইদিটর য়াওনা ষ্টাফ ৫ ফাজিনখিবনি। পাউচে অসিনা অতোপ্পা লৈবাকশিংগা খুৎশম্ন দুনা লোনা য়াদবা থবক কয়া চথরি। মসিনা নেসনল সেক্যুরিটিদা খুদোংথীবা কয়া থোকহল্লকপা য়াবনা মরম ওইরগা মখোয়শিং অদু ফাজিনখিবনি হায়রি।

পুলিসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, এপল দেলি পাউচেগী দোল্লর মিল্লিয়ন ২.৩ রোমগী ওইগদবা এসেটশিংসু সেক্যুরিটি লোগী মতাংদা ফ্রিজ তৌশিনখ্রে। মখা তানা পাউচে অসিগী ষ্টাফশিং ৱাহং পাউহং তৌনবগীদমক কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথরগনি হায়রি।

অমরোমদা, এপল দেলি পাউচেগী ষ্টাফশিং ফাজিনখিবা অদুবু তোঙান তোঙানবা মায়কৈদগী য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা হোং কোং এদিটর্স গিল্ডনা ফাজিনখিবশিং অথুবা মতমদা থাদোরক্লবা দিমান্দ তৌরক্লি।

# মেত্রো এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মীওই ২৬ শিহনখিবগী মতাংদা থিজিন্নবা দিমান্দ তৌরি

মেক্সিকো সিটি, জুন ১৭ (এজেন্সী):
থা অসিগী অঙনবদা মেক্সিকো সিটিদা মেত্রো ট্রেন অমা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মীওই ২৬ শিহনখিবগী থৌদোক অদু লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনা চেকশিন্দবদগীনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্ল রকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল চথনবা দিমান্দ তৌনরক্লি।

থা অসিগী ৬তা অকুৎপা মফম অনীগী মরক্তা লৈবা রেলৱে ট্রেক্কী শরুক অদু নীংখায়রকপদগী লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা হৌজিক-হৌজিক থিজিনবগী থবকশিং চথরি হায়না মেক্সিকো দিপার্টমেন্ট ওফ জষ্টিসনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা ইঞ্জিনিয়রশিংনা শেম শাবদা চেকশিনবা ৱাৎপদগী থৌদোক অদু থোকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না মীয়াম্না ফোঙদোক্লখিবা অদুগী মতাংদসু কুপ্না য়েংশিল্লি। নোর্ৱেগিয়ন ইঞ্জিনিয়রিং কম্পেনি দি এন ভীগী ষ্টাফশিং দিপার্টমেন্ট ওফ জষ্টিসনা কৌখৎতুনা ৱাহং পাউহংগী থবক চথবা হৌখ্রে। করিগুম্বা কনষ্ট্রক্সন কম্পেনি অসিগী মায়কৈদগী অশোয়বা লৈরম্লবদি কম্পেনি অসিগী লাইসেন্স ককপগা লোয়ননা লোগী ওইবা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি। দিপার্টমেন্ট ওফ জষ্টিসনা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা থিজিল্লুবদা কনষ্ট্রক্সন দিজাইনদা অশোয়বগী মমি তাবা থেংনরে। মীওই ২৬ শিহনখিবা এক্সিদেন্ট অদুবু ওথোরিটিশিংনা য়াম্না হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা থিজিনবগী থবক অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা হোৎরগনি হায়রি।

মেক্সিকোদা চহী কয়াগী মমাঙদগী মেত্রো ট্রেন এক্সিদেন্ট থোকপগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোক্তুনা লাক্লি। হৌখিবা কুমজা ২০০৬তগী ২০১২ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অদুদা মেত্রো ট্রেন এক্সিদেন্ট থোকপগী থৌদোক্তুনা মীওই ৪৪০ শিখি। মদুগী মতুং মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনা য়াম্না চেকশিন্না য়েংশিন্দুনা রেলৱে ট্রেক্টশিং ক্বালিটি মেন্টেন তৌদুনা লাকখিবনি হায়না মেক্সিকোগী ফোরেন মিনিষ্টর মার্সেলো ইব্রারনা ফোঙদোরক্লি। মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মেক্সিকোদা থোকখিবা য়ুহা হাবগী থৌদোক খরনা মরম ওইরগা রেলৱে লাইনশিংদা হেক-হেক অকায়বা থোকহল্লি। করম্বা মফমদা রেলৱে ট্রেক্টশিং অদুগী মপাঙ্গল শোন্থরবগে হায়বদু মাঙজেনা থিবগী থবক পায়খৎনবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে। মখা তানা অসিগুম্বা লাইবক থীবা থৌদোকশিং অসি থোক্তনবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মেত্রো প্রোজেক্টশিং পায়খৎপা মতমদা অখন্নবা কনষ্ট্রক্সন কম্পেনিশিংগী মনুংদা স্ক্রিনিং তৌরগা খ্বাইদগী ফৎবদা শিন্নরগনি হায়রি।

# রসিয়ন লো থুগাইবগীদমক ফাজিনখিবনি : পুটিন

জেনেভা, জুন ১৭ (এজেন্সী) :
ক্রেমলিন ক্রিটিক এলেক্সৈ নোভালনিবু রসিয়ন ওথোরিটিনা ফাজিন্দুনা জেলদা থমখ্রিবা অদু মহাক্লা রসিয়ন লোবু থুগাইখিবগীদমক্তনি হায়না রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা ফোঙদোকখ্রে।

নোভালনি রসিয়াদা মীয়ামগা লোয়ননা লৈবাক অদুনা চথরিবা করপসনগী থবক থৌওংশিংগী মায়োক্তা খোঙজঙ কয়া চঙশিন্দুনা লাকখিবা মীওই অমনি। প্রো দেমোক্রেসি এক্টিভিষ্ট অসি ব্লাদিমির পুটিনগা খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা অমসু ওইরিবনি। প্রো দেমোক্রেসি এক্টিষ্টশিংনা লৈঙাক্কী মায়োক্তা চঙশিনখিবা খোঙজঙদা শরুক য়াখি হায়বগী মরালদা রসিয়ন ওথোরিটিনা নভালনিবু ফাজিনখিবনি। নভালনি মশানা রসিয়াগী লোশিং থুগাইদুনা থবক তৌরে হায়বসি খঙনৈ। খঙনা-খঙনা কা হেনবা থবক থৌওংশিং চথরকখিবগীদমক তঙাইফদনা মহাকপু ফাজিনখিবনি হায়না প্রসিদেন্ট পুটিননা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, নভালনি মশাগী হকচাংগী ফিভম ফৎচিল্লক্তবদগী জর্মনিদা থা খরা ট্রিটমেন্ট চথখি। মরক অদুদা নর্ভ এজেন্ট অমনা মহাকপু পোইজনিং তৌদুনা হাৎনবা হোৎনরমখি। থৌদোক অদু নভালনিনা ক্রেমলিনদা ব্লেম তৌদুনা লাকখিবনি। হকচাংগী ফিভম ফগৎলক্লবা মতুং রসিয়াদা চহী অসিগী জন্যুৱারী থাদা হেক থুংলখিবগা মহাকপু ফাজিনখিবনি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 177,894,550 | +94,936 | 3,850,686 | +2,057 | 162,406,238 | 11,637,626 |
| 1 | USA | 34,365,985 | | 616,150 | | 28,616,495 | 5,133,340 |
| 2 | India | 29,700,313 | +758 | 381,931 | | 28,491,670 | 826,712 |
| 3 | Brazil | 17,629,714 | | 493,837 | | 16,030,601 | 1,105,276 |
| 4 | France | 5,747,647 | | 110,578 | | *5,525,051* | 112,018 |
| 5 | Turkey | 5,348,249 | | 48,950 | | 5,215,654 | 83,645 |
| 6 | Russia | 5,264,047 | +14,057 | 127,992 | | 4,839,705 | 296,350 |
| 7 | UK | 4,589,814 | | 127,926 | | 4,294,506 | 167,382 |
| 8 | Italy | 4,248,432 | | 127,153 | | 4,019,424 | 101,855 |
| 9 | Argentina | 4,198,620 | | 87,261 | | 3,791,979 | 319,380 |
| 10 | Colombia | 3,829,879 | | 97,560 | | 3,565,158 | 167,161 |
| 11 | Spain | 3,749,031 | | 80,615 | | 3,536,165 | 132,251 |
| 12 | Germany | 3,726,731 | | 90,748 | | 3,594,700 | 41,283 |
| 13 | Iran | 3,070,426 | +10,291 | 82,619 | | 2,708,743 | 279,064 |
| 14 | Poland | 2,878,276 | +218 | 74,734 | | 2,649,535 | 154,007 |
| 15 | Mexico | 2,463,390 | +3,789 | 230,624 | | 1,962,152 | 270,614 |
| 16 | Ukraine | 2,227,225 | +1,188 | 51,902 | | 2,145,660 | 29,663 |
| 17 | Peru | 2,015,190 | | 189,522 | | N/A | N/A |
| 18 | Indonesia | 1,950,276 | +12,624 | 53,753 | | 1,771,220 | 125,303 |
| 19 | South Africa | 1,774,312 | | 58,223 | | 1,620,317 | 95,772 |
| 20 | Netherlands | 1,676,708 | +1,064 | 17,722 | | *1,588,600* | 70,386 |
| 21 | Czechia | 1,665,660 | +134 | 30,257 | | 1,631,027 | 4,376 |
| 22 | Chile | 1,491,561 | | 30,922 | | 1,420,365 | 40,274 |
| 23 | Canada | 1,405,146 | | 26,001 | | 1,364,997 | 14,148 |
| 24 | Philippines | 1,339,457 | +6,637 | 23,276 | | 1,257,774 | 58,407 |
| 25 | Iraq | 1,274,629 | +5,189 | 16,811 | | 1,188,422 | 69,396 |
| 26 | Sweden | 1,084,636 | | 14,537 | | *1,037,169* | 32,930 |
| 27 | Romania | 1,080,070 | +87 | 32,115 | | 1,044,773 | 3,182 |
| 28 | Belgium | 1,077,758 | +671 | 25,110 | | 1,006,824 | 45,824 |
| 29 | Pakistan | 945,184 | +1,119 | 21,874 | | 887,095 | 36,215 |
| 30 | Portugal | 860,395 | | 17,055 | | 817,092 | 26,248 |
| 31 | Bangladesh | 841,087 | +3,840 | 13,345 | | 776,466 | 51,276 |
| 32 | Israel | 839,720 | | 6,428 | | 833,061 | 231 |
| 33 | Hungary | 807,322 | +113 | 29,948 | | 733,907 | 43,467 |
| 34 | Japan | 779,338 | +1,707 | 14,269 | | 740,213 | 24,856 |
| 35 | Jordan | 744,844 | | 9,622 | | 728,266 | 6,956 |
| 36 | Serbia | 715,442 | +135 | 6,985 | | 705,066 | 3,391 |
| 37 | Switzerland | 701,454 | +194 | 10,869 | | 672,556 | 18,029 |
| 38 | Malaysia | 678,764 | +5,738 | 4,202 | | 608,465 | 66,097 |
| 39 | Austria | 649,181 | +179 | 10,674 | | 635,192 | 3,315 |
| 40 | Nepal | 615,984 | +1,768 | 8,597 | | 545,662 | 61,725 |
| 41 | UAE | 606,128 | +2,167 | 1,741 | | 585,242 | 19,145 |
| 42 | Lebanon | 542,934 | | 7,808 | | 528,146 | 6,980 |
| 43 | Morocco | 524,975 | | 9,221 | | 512,097 | 3,657 |
| 44 | Saudi Arabia | 470,723 | +1,309 | 7,635 | | 452,209 | 10,879 |
| 45 | Ecuador | 441,180 | | 21,153 | | 407,512 | 12,515 |
| 46 | Bulgaria | 420,749 | | 17,957 | | 392,035 | 10,757 |
| 47 | Greece | 416,741 | | 12,472 | | 395,398 | 8,871 |
| 48 | Bolivia | 414,513 | +2,836 | 15,826 | | 330,148 | 68,539 |
| 49 | Belarus | 407,748 | | 3,006 | | 400,513 | 4,229 |
| 50 | Kazakhstan | 405,209 | +1,145 | 4,203 | | 381,026 | 19,980 |

# কানাদাদা লৈরিবা মাইগ্রেন্টশিংদা মেন্টেল হরাসমেন্ট পীবগী থবক লেপকদবনি : রাইটস গ্রুপ

মোন্ট্রিল, জুন ১৭ (এজেন্সী) :
কানাদাদা অতোপ্পা লৈবাক্তগী লাকখিবা মাইগ্রেন্ট মিল্লিয়ন ৩ লোম লৈবাক অদুগী ওথোরিটিশিংনা মপুঙ ফানা য়েংশিন্দবা অমদি মখোয়বু মাইগ্রেন্ট কেম্পতগী মনীং তম্না থোকহনবা য়াদবগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা মাইগ্রেন্ট কয়াদি ৱাখলগী লায়না নাবা ফাওবা য়াওরে হায়না এম্নেষ্টি ইন্টর্নেসনল অমসুং রাইটস গ্রুপশিংনা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।



গ্রুপশিং অসিনা ফোঙদোরকখিবদা কানাদাগী তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা মাইগ্রেন্টশিং চঙজফম লৌদুনা লৈরি। চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা মাইগ্রেন্টশিং অদুবু লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনা য়েংশিনবিদবনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লদুনা লৈরিঙৈ মরক অসিদা মাইগ্রেন্ট কেম্প অদুবু থাদোক্লগা মশাগী মরমদমদা হনখিনবা হোৎনবদসু লোকেল ওথোরিটি খরনা অয়েৎপা পীবনা মরম ওইরগা কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংগী ৱাখলদা চাউনা চরাঙনবা পোকহল্লে। কানাদা লৈঙাক্লা হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং মতম চানা পায়খৎহৌদ্রবদি মাইগ্রেন্ট কেম্পতা খুদোংচাদবা কয়া থোক্লকপা য়াই হায়রি।

কানাদানা লৈবাক অদুদা রিফ্যুজিশিং চঙলকপদা তরাম্না ওক্লি। অদুবু লৈবাক অদু য়ৌরকখ্রবা মতুং মখোয়বু থৌওইনা তৌদবগা লোয়ননা চহী নৌরিবা রিফ্যুজি খরদি খুৎলায় পায়বা গ্রুপ খরনা অরানবা থবকশিংদা শীজিন্নবা ফাওবা য়াওরি। কোভিদ পেন্দমিক মনুংদা য়েংশিনবা ৱাৎপনা মরম ওইরগা হৌজিকফাওবদা মাইগ্রেন্ট ৪০০০ রোম শিখ্রে হায়রি।

# সাউথ অফ্রিকাদা সাইবেরিয়ন টাইগরনা ৱার্কর অমা হাৎখ্রে

কেপ টাউন, জুন ১৭ (এজেন্সী) :
অফ্রিকাদা লৈবা গেম পার্ক অমদা ঙসি সাইবেরিয়ন টাইগর অমনা পার্ক অদুদা থবক তৌবা ৱার্কর অমা হাৎখ্রে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না থৌদোক অদু য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা থোকখিবনি। একর ৩০০ লোম পাক চাউবা সেভিয়ু প্রিদেটর পার্কতা মশাগী চহী ৫০ রোম শুরবা মীওই অদুনা ইলেক্ট্রিক ফেন্স রিপেয়রিং তৌরিঙৈদা খঙহৌদনা কৈ অমনা মহাকপু এটেক তৌদুনা হাৎখিবনি। লৈখিদ্রবা দেবিদ সোলোমোন পার্ক অদুদা চহী ১৫ রোম থবক তৌদুনা লাকখ্রবা মীওই অমনি। কৈ অদুনা মঙোন্দা এটেক চথরক্লবা মতুং ফেন্স অদু কাদুনা নাম্থোক্লবা হোৎনখি। অদুমওইনমক কৈ অদুনা মহাকপু অমুক হন্না চীক্তুনা লৈমায়দা চিংথরবা মতুং হাৎখিবনি।


পার্ক অদুদা কৈ অদু মতৌ করম্না চঙলকখিবনো হায়বা হৌজিকফাওবগী ওইনদি খঙবা ঙমদ্রি। সাউথ অফ্রিকাদা কৈ অসি য়াম্না তাঙনা ফংবা শাশিংগী মনুং চল্লি। সোলোমোননা থবক তৌরিবা পার্ক অদুদসু কৈ অমত্তা লৈতে। কৈ অদুগী খোঙ্গুল লীবগী থবক ওফিসলশিংনা চথরি হায়রি।

ꯃꯥꯉ꯭ꯈꯦꯃꯌꯨꯝ ꯑꯣꯡꯕꯤ /
ৱাংখৈময়ুম ওংবী সুমতি দেবীদা পূন্না শৌগৎখ্রে

লমশাং কেন্দ্রদা টার্ম অহুম্লক থংন-থংননা কাদুনা মিনিষ্টর অমদি এম এল এ ওইবীরম্লবা লৈখিদ্রবা ৱাংখৈময়ুম ব্রজবিধু সিংহগী লমদেং ময়াই লৈকাইদা লৈবা য়ুমদা পাঙথোকখিবা লমদেংগী অপূনবা মীফম অমদা লমদেংগী অপূনবা সংস্থানশিং, ১) লমদেং লাই খুরেম্বী সেবা কম্মিটি, ২) লমদেং মখা লৈকাই ৱিমেন্স দিভলপমেন্ট এসোসিএসন, ৩) লমদেং শেমগৎ শাগৎপা নুপী লূপ, লমদেং ময়াই লৈকাই, ৪) পাইওনিয়র ক্লব লমদেং মখা লৈকাই, ৫) দি লমদেং ময়াই লৈকাই য়ুঠ এসোসিএসন, ৬) ভিলেজ রিকন্সট্রক্সন ওর্গনাইজেসন লমদেং অৱাং লৈকাই অমদি লমদেং অৱাং লৈকাইগী ইমা-ইবেলশিং পূন্না কুপ্না খন্নরবা মতুংদা সংস্থান পূন্নমকশিং অসিনা লৈখিদ্রবা ব্রজবিধু সিংহগী লোয়নবী **ৱাংখৈময়ুম ওংবী সুমতি দেবী** বু লাক্কদৌরিবা কেন্দ্রগী মীখল অসিদা কেন্দিদেট ওইনা পুথোকপা, অমত্তা ওইবগী ৱাশক অমগা লোয়ননা শুকশোয় শোয়দনা মায় পাক্লবা অকনবা ফিরেপ লৌমীন্নদুনা অপূনবা ৱাশক শকমিন্নখি।

HL-P/9946/18, 19, 20

ꯅꯨꯡꯁꯤꯡ / নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/6972/17/5-15/6

OFFICE OF THE
IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION
No. 3/1/2-18-IMC-2 Imphal, the 17th June, 2021

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / খঙহঞ্জবা

Notice অসিনা মরম ওইরগা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal Municipal Corporation না হৌখিবা ইং 2020 গী July তাং ১৭ অমদি August ৩০দা পাউজেঞ্জখিবা অদুগী মতুং অহুমশুবা অমদি অরোইবা ওইনা পাউজেঞ্জরি মদুদি Pradhan Mantri Awas Yojana (PMAY) Housing for All Scheme গী মখাদা Final Beneficiary List তা য়াওখ্রবশিংনা ইশা-ইশাগী মিং অদু MIS Web Portal দা মিং চনখ্রে নৎত্রগা চন্দ্রি হায়বদু **imc.mn.gov.in** দা চঙবীদুনা য়েংবীনবা খঙহঞ্জরি। MIS Web Portal দা হৌজিক ফাওবা মিং চনশিনবা য়াদ্রিবা Beneficiary শিংগী মিং অদু **imc.mn.gov.in** দা upload তৌরগা থমজরে। মরম অদুনা Final Beneficiary List তা য়াওখ্রবশিংনা Website অসিদগী খঙদোকপীরগা দরকার লৈবা Document শিং হায়বদি **(Beneficiary** গী **Aadhaar, Family member** শিংগী **Aadhaar, Beneficiary** গী **Bank Passbook,** অমদি **Jamabandi / Patta)** অদু মখাদা পীজরিবা WhatsApp Number শিং

| Ward No. | WhatsApp No. | Ward No. | WhatsApp No. |
|---|---|---|---|
| 1, 10, 20 | 7640969703 | 3, 24 | 8256981803 |
| 22, 23, 26 | 8731022655 | 9, 13, 14, 15, 16 | 7640958502 |
| 5, 6, 7, 17 | 7640958512 | 2, 8, 11 | 7629051574 |
| 18, 19, 21, 25 | 8794355948 | 4, 12, 27 | 8787736454 |

অসিদা লাক্লিবা তারিক **02/07/2021** ফাওবগী মনুংদা শুকশোয় শোয়দনা য়ৌহনবীরক্লবা খঙহঞ্জরি। পীজরিবা মতম অসিগী মনুংদা পীশিনবীরক্তবশিং অদু ইশা-ইশানা scheme অসিগী খূদোংচাবা অদু লৌজররোই হায়বনি হায়না Imphal Municipal Corporation না লৌবতা নৎতনা মখা তাবা ৱাকৎসু লৌজররোই।

**N.B. Aadhaar শেমদোক্লুরবা ওইরগদি খ্বাইদগী ইনৌ নৌবা Aadhaar অদু ওইনা হাপ্পীরক্কদবনি।**

খঙহঞ্জরিবা : **K. Chandrakumar Singh**
Municipal Commissioner
Imphal Municipal Corporation

HL-B/6998/18,19